**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 24-11-2024)**

**স্কুল (এল) ঃ** মনিপুরদা লৈরিবা মহৈ লোইশঙশিং মখা তানা নুমিৎ নিনি ছুতি থাদোকখ্রে।

হীরম অসিগী মতাংদা মরী লৈনবা সরকারগী ওফিসিএলশিংনা চেরোলশিং থোকখ্রে।

**কার্ফিয়ু (এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট হয়েং অয়ুক পুং ৫ দগী নুমিৎয়ুংবা পুং ৪ ফাওবা কার্ফিয়ু কোমথোক্কনি। মসিগী মতাংদা জিলাশিং অসিগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিংনা চেরোলশিং থোকখ্রে।

**নুপী (এল)ঃ** ৱিমেন এক্সন ফোর দিবলপমেন্টকী সেক্রেটরি-সোবিতা মংশাতাবমনা হায়রি-থা ১৮ হেল্লক্লবা মনিপুরগী ইরাং অসিদা খুৎলায় পায়জদবা পীক্লিবা অঙাং অমদি নুপীশিংদা তমথিনা ওৎ-নৈদুনা হাৎপগী থৌওংশিং চথুরকপা অসি মালেমগী মীওইবা খুন্নাইনা খক য়াফম থোক্তে।

হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্টরনেসনেল ডে ফোর ইলিমিনেসন ওফ ভাইওলেন্স এগেনষ্ট ৱিমেন এন্দ গালর্সকী মাংওইননা ঙসি অকাশবানি ইম্ফালগা অখন্ননা উন্নবা অমদা, মালেমগী ওইনা শোকবা লান কয়াদা ঙাকা চৎকদবা চৎনরোল কয়া লৈরিবা অদু থুগায়দুনা মরাল লৈজদ্রবা নুপী অঙাংশিংদা য়ামা হন্থবা থাক্তা তাথি তাওইনা তৌরিবশিংগী মথক্তা আইনগী ওইবা মতিক চাবা থবক লৌখৎনবসু শ্রীমতি সোবিতানা মরী লৈনবশিংদার তকশিল্লক্লি।

**আপিল(এল) ঃ** রাজ্য অসিদা থোক্লিবা ইরাং অসি অথুবা মতমদা ৱারোইশিন

অমা পুরক্তুনা ইং-তপ্পা লমদম অমা ওইহনবীয়ু হায়না ওল মনিপুর মীতৈ-পাঙল ক্লবস ওর্গনাইজেসননা আপিল তৌরক্লি।

ইন্টরনেট থিংজিল্লিবা অসিনা মহৈ তল্লিবা মহৈরোইশিংদা খুদোংচাদবা কয়া থোকহল্লিবা অসিগী য়েংলগা অথুবা মতমদা ইন্টরনেটকী অথিংবা হাংদোকপীনবসু লুপ অসিনা ফোংদোরক্লি।

**দাইবেটিস(এল) ঃ** দাইবেটিস এন্দ ৱেলবিয়িং ফোর দা ইয়ার-২০২৪-২০২৬ হায়বা থিমদা দাইবেটিস লায়না খঙদোকপা লোয়ননা মীয়ামদা ৱাখল তাহনবগী থৌরম অমা ঙসি য়ুথস ক্লব-ব্রহ্মপুরদা পাঙথোকখ্রে।

লাইওন্স ক্লব ওন ইম্ফাল গোল্ডন প্রাইদ, লাইওন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল গ্লোবেল অমসুং লাইওন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল নোর্দন হেমিসফিয়ার অমদি য়ুথস ক্লব ব্রহ্মপুর অরিবম লৈকাইনা পুন্না শিনদুনা পাঙথোকখিবা থৌরমদুদা ব্লড সুগর চাংয়েং তৌদুনা ডাক্তরশিংগা খন্ন-নৈনখি। ঙসিগী থৌরম অদুদা মশিং য়াম্লবা মীওই কয়া লাক্তুনা দাইবেটিস লায়না লৈব্রা নৎত্রগা লৈতব্রা হায়বদু খঙদোকখি। লোয়ননা ডাক্তরশিংনসু লায়না অসিগী মতাংদা পাউতাক পীখি।

**এআর (এল)ঃ** অসাম রাইফলসকী ফুন্দ্রে বটালিয়ন অমসুং ইন্দিয়ান মেদিকেল এসোসিয়েসননা পুন্না শিনদুনা নোংমগী ওইবা লেমা লায়েংবগী কেম্পশিং ঙসি ককচিং জিলাগী মনুং চন্না লৈবা সোরা পাব্লিক গ্রাউন্দ অমসুং ককচিং শুমাক লৈকাইদা লৈবা কল্যান আশ্রমদা হাংদোক্লিবা রিলিফ কেম্পতা পাঙথোকখ্রে।

মদুদা মীওই লিশিং ১,৮০০ রোম লায়েংখি অমসুং হিদাক লাংথকশিংসু য়েন্থোকখি হায়রি।

**য়ুএনএলএফ(এল) ঃ** য়ুনাইটেদ নেসনেল লিবরেসন ফ্রন্ট (য়ু.এন.এল.এফ) লিংখৎখিবগী ৬০ শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি মায় পাকা পাঙথোকখ্রে

হায়রি।

আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপ অসিগী সেন্ত্রেল কমিতিগী সেক্রেটরি ওফ পার্লিসিতি-এম. শকহেননা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-পালন থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা নীংতম লালহৌদা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা অথৌবশিংদা ইকায় খুমবা উৎতুনা মিনিট অনি তুমিন্না লেপখি। লুপ অসিগী ফিরাল চিংখৎতুনা কেদর অমদি লান্মীশিংনা সেলুট তৌদুনা ইকায় খুমবসু উৎখি হায়রি।

**জিরি(এল) ঃ** নেসনেল হায়ৱে ৩৭, ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীদা তোয়না চিং নিংখায়বা থোকপদগী লম্বী অসিদা পোৎ-চৈ পুবা গাড়িশিং চৎথোক চৎশিন তৌবদা খুদোংচাদবা কয়া থোক্লি।

জিরিবামদা হৌজিকসু মাল থন্না হাপ্লবা গাড়ি ২২৮ রোম ইম্ফালদা চৎননবগীদমক মতম ঙায়দুনা লৈরি।

অমরোমদা, লম্বী অসিগী কে. সিনাম অমসুং সেজাং খুলগী মরক্তা লৈবা নুঙ দলালনদা নুঙ কিস্থরকখিবা অদু হৌজিকসু লম্বী ফাওনদ্রি। মফম অদুদা গনপতি কম্পানিগী কাংবুনা এক্সকাবেটরশিং শিজিন্নদুনা মখা তানা লম্বী ফাওননবা শেংদোকপগী থবক কন্না চথুরি।

ঐখোয়গী নোনে পাউমা-অগুই কামৈনা লম্বী শেংদোক্লিবা কম্পানিগী পাউ পল্লদুনা হায়-লম্বী শেংদোকপগী থবক অসি হয়েং ফাওবগী মনুংদা লোয়শিনদুনা লম্বী ফাওননবা কন্না হোৎনরি। মরক অসিদা, খোঙশাং রেলৱে ষ্টেসনদগী লাকপা পোৎ-চৈ পুবা গাড়িশিংসু নোনে চেক পোষ্টতা থুংদুনা ইম্ফালোমদা থোকনবা মতম ঙায়দুনা লৈরি হায়রি।

**মনকিবাটঃ** রাজনিতিদা খোঙদদ্রিবা ইমুংশিংগী নহারোলশিংনা রাজনিতিদা য়াওরকবা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি।

অকাশবানিগী থোঙদা ঙসি শন্দোকখিবা মহাক্কী ১১৬ শুবা মনকি বাট

থৌরমদা শ্রী মোদিনা হায়-লাক্কদৌরিবা থা খরগী মনুংদা অখন্নবা কেম্পেইনশিং পাঙথোক্তুনা লৈবাক অসিগী নহারোল লাখ অমরোম রাজনিতিদা য়াওহন্নবা হোৎনরি। মথং চহিদা পাঙথোক্কদৌরিবা স্বামিবেবেকানন্দগী ১৬২ শুবা মপোক নুমিৎতা ন্যু দিল্লিদা ভিক্সিত ভারত য়ঙ লিদরস দাইলোগ পাঙথোক্কনি হায়নসু প্রধান মন্ত্রিনা লাউথোকখি।

মহাকা হায়-লৈবাক অসিনা হান্নদগীসু হৌনা স্বামিবেবেকানন্দগী মপোক নুমিৎ জানুৱারী ১২ বু চহি খুদিংগী নহারোলশিংগী নুমিৎ হায়না পালন তৌদুনা লাক্লি। হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা ভিক্সিত ভারত য়ঙ লিদরস দাইলোগ অসিদা নহারোল কোতি কয়া শরুক য়াহন্নবা পান্দম থল্লি। মসিগীদমক খুঙ্গংশিং, ব্লোকশিং জিলাশিং অমসুং রাজ্যশিংগী থাক্তা খনগৎলবা নহারোলশিংনা ভারত মন্দপমদা পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম অসিদা শরুক য়াগনি।

অহল ওইরবা মীওইশিংবু দিজিটেল অমদি ওন লাইনগা মরী লৈননা অরানবা তৌবশিংনা অৱাফমদা তাহন্নবা হোৎনবদগী ঙাকথোকবা হোৎনবদা নহারোলশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌননবসু প্রধান মন্ত্রিনা ফোংদোকখি। শ্রী মোদিনা হায়-কুমজা ২০১৪ গী মমাংদদি পেন্সনরশিংনা মখোয়গী লাইফ সার্টিফিকেটশিং পীশিন্নবগীদমক বেঙ্কক্তা চৎলম্মী অদুবু হৌজিক্তি দিজিটেল লাইফ সার্টিফিকেট হৌদোক্তুনা মসিবু হেন্না লায়থোকহল্লে। খোঙথাং অসি লৌখৎলকপদগী দিজিটেল লাইফ সার্টিফিকেট ফংবা মীগী মশিং লাখ ৮০ হেনখ্রে। মসিগী মনুংদা মীওই লাখ অনিরোমদি চহি ৮০ মথক্কী অহল ঙাক্তনি।

ভারতকী ঙল্লিঙৈ মতমদগী লৈরকপা ঈশিংগী লমগী তৌবা ঙম্বা শক্তিশিংগা মরী লৈনবা খুদম চাংদমশিং ঙাক শেনদুনা থমনবা কেম্পেইন অমা হৌজিক হৌজিক চথরি। মসিগী শরুক অমা ওইনা লোথালদা অচৌবা ম্যুজিয়ম অমা শারে। হীরম অসিগা মরী লৈনবা ঐতিহাসিক ওইবা অয়িবা চে-চাংশিং লৈরবদি নেসনেল অরক্রাইবস ওফ ইন্দিয়াদা শিন্নবীনবসু প্রধান মন্ত্রিনা ফোংদোকখি। লৈবাক অসিগী সহরশিংদা শেন্দ্রাং হায়বা উচেক মখল অসি

লৈবগী চাং হন্থরকপদা নুংনাংবা ফোংদোক্লদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-শেন্দ্রাংশিংনা মফমশিং অদুগী বাইও দ্রাইভরসিতি ঙাক্তুনা থম্বদা চাউনা মতেং ওইরি। মহেশ্বুর অমসুং করনাতকনচিংবা মফমশিংদা ওর্গনাইজেসন খরনা হৌরক্লিবা অঙাংশিংদা শেন্দ্রাং য়াওনা উচেকশিংগী মরমদা খঙহন্নবা খোঙথাং কয়া লৌখৎলক্লিবা অসি অফবা খুদম অমনি।

**মোদিঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হয়েং ন্যু দিল্লিগী ভারত মন্দপমদা আই.সি.এ. গ্লোবেল কোওপরেটিব কনফরেন্স হৌদোক্লগনি।

ইন্টরনেসনেল কোওপরেটিব এল্লাইয়েন্সকী চহি ১৩০ গী শাংলবা ইতিহাসতা অহানবা ওইনা গ্লোবেল কোওপরেটিব কনফরেন্স অমসুং জেনরেল এসেমব্লি ভারত্তা পাঙথোক্কদৌরি। থৌরম অসিদা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ইন্টরনেসনেল ইয়ার ওফ কোওপরেটিবস ২০২৫ গী নিংশিং ষ্টাফ পুথোক্কনি।

অকাশবানি পাউমীনা হায়-হয়েংগী মীফম অসিদা ভুটানগী প্রধান মন্ত্রি-কাসো সেরিং তোবগে অমসুং ফিজিগী উপ প্রধান মন্ত্রি-মনোৱা কামিকামিকা শরুক য়াগনি।

**কেম্পেইনঃ** লৈবাক অসিদা নুপা নুপী খায়বা মওংদা চথবা হিংশাগী থৌওংশিং মুথৎনবা থবক পায়খৎনবা কেম্পেইন-‘অপ কোইয়ি ভাহানা নহি’ সরকারনা হয়েং ন্যু দিল্লিদা হৌদোক্কনি।

সরকার, মরী লৈনবা ষ্টেকহোল্ডরশিং অমসুং মীয়ামনা পুন্না হোৎনমীন্নদুনা নুপা নুপী খায়দনা চথবা হিংশাগী থৌওংশিং মরু ফংনা মুথৎনবা কেম্পেইন অসিনা পান্দম থম্মি। থৌরাং অসি কেন্দ্রগী ৱিমেন এন্দ চাইল্ড দিবলপমেন্ট মন্ত্রালয় অমসুং রুরেল দিবলপমেন্ট মন্ত্রালয়না য়ু.এন. ৱিমেনগী তেংবাংগা লোয়ননা পায়খৎপনি। কেম্পেইন অসিগী শরুক অমা ওইনা ফিল্ম অমা উৎতুনা মীয়ামবু পাক শন্না ৱাখল তাহন্নবা থৌরাংসু য়াওরি। হয়েং মালেমগী ওইনা

পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্টরনেসনেল ডে ফোর দা ইলিমিনেসন ওফ ভাইওলেন্স এগেনষ্ট ৱিমেনগী থৌরমগা মরী লৈননা কেম্পেইন অসি হৌদোক্কদবনি।

**বিরলাঃ** সংসদকী নীংথম মীফম হয়েংদগী হৌরগনি।

সদস্যশিংনা সভাদা খন্ন-নৈনরকপা মতমদা সভাগী চৎনবী নিয়মশিং নীংথিনা ঙাকনবা লোক সভাগী অধ্যক্ষ-ওম. বিরলানা ফোংদোকখ্রে।

অকাশবনি (ন্যুজ) কা অখন্ননা উন্নবা অমদা শ্রী বিরলানা সদস্যশিংনা সভাগী চৎনবী ঙাকা পোজিটিব ওইবা মওংদা খন্ন-নৈনবগী থৌরমশিংদা শরুক য়ারক্কনি হায়না থাজবা ফোংদোকখি।

রিজারভেসনগী মতাংদা হংবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা অধ্যক্ষনা হায়-মসিগী মতাংদা রাজনিতি দলশিংনা তোঙান তোঙানবা মরালশিং শিদুনা ঙাংবা কয়া থেংনরে। অদুবু, সরকার অমত্তনা হৌজিক ফাওবদা কোটা থম্বগী মায়োক্তা থবক তৌনবা হোৎনখিদ্রি। প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনসু লাইরবা অমসুং খুন্নাইদা শোথরবা কাংলুপশিংগীদমক রিজারভেসন পীবা হায়বসি তঙাইফদবনি হায়না ফোংদোকখিবা লৈরে হায়নসু শ্রী বিরলানা মখা তানা ফোংদোকখি।

মরক অসিদা, পার্লিয়ামেন্টরি এফিয়ার্স মন্ত্রি-কিরেন রিজিজ্না হায়রি-সংসদকী মীফম অসিদা সরকারনা ইশু খুদিংমক নীংথিনা খন্ননবা শেম শাদুনা লৈরি হায়না ফোংদোকখ্রে। ন্যু দিল্লিদা সরকারনা শিনদুনা পাঙথোকখিবা দল পুম মক্কী মীফম লোইরবা তুংদা শ্রী রিজিজ্না হায়-লোক সভা অমসুং রাজ্য সভাগী মীফমশিং নীংথিনা চথনবা হোৎনবদা বিরোধি দলশিংনা মতেং পাংবীরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ।

অমরোমদা, কংগ্রেসকী প্রমোদ তিৱারিনা হায়-হন্দক্কী মীফম অসিদা দল অসিনা উদ্যোগপতিশিংগা মরী লৈনবা শেঞ্জা থুমজাগী ৱাফম, মনিপুরগী ৱাথোক, থবক ফংদবগী সমস্যা অমসুং অৱাং ভারত্তা পোলুসন হেনগৎলকপগী মতাংদা মপুং ওইনা পুখৎনবা হোৎনরি।

**ঝরখন্দঃ** ঝরখন্দ মুকতি মোর্চগী লুচিংবা হেমন্ত সোরেননা ঝরখন্দদা অনৌবা সরকার শেমনবা দাবী তৌখ্রে।

রাজ্যপাল-সন্তোস কুমার গঙ্গৱারনা শ্রী সোরেনদা অনৌবা সরকার শেম নবা বার্ত্তন তৌখ্রে। রাজ্যপালগা ঙরাং উন্নদুনা মীফম পাঙথোক্লবা মতুংদা শ্রী হিমন্ত সোরেননা ৱাশক লৌবগী থৌরম লাক্লিবা থা অসিগী ২৮ দা পাঙথোক্কনি হায়না ফোংদোকখিবনি। শ্রী সোরেননা মহাকপু জে.এম.এম, কংগ্রেস, আর.জে.দি অমসুং সি.পি.আই (এম.এল) গী পুন্না লেজিসলেটর ৫৬ না শৌগৎলি হায়না উৎপা চেরোল অমা রাজ্যপালদা পীশিনখি।

মরক অসিদা, হিমন্ত সোরেনবু ঙসি ইন্দিয়া ব্লোক্কী লুচিংবা ওইনা খনখ্রে। রাঞ্চিদা ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুংদা পাঙথোকখিবা ইন্দিয়া ব্লোক্কী এম.এল.এশিংগী মীফমনা শ্রী সোরেনবু মোত অমত্তা ওইনা মখোয়গী লুচিংবা ওইনা খনখিবনি।

**জয়শঙ্করঃ** কেন্দ্রগী মপান থৌরম মন্ত্রি-ডা: এস. জয়শঙ্কর নুমিৎ হুমনিগী ইতালি খোঙচৎতা রোমদা থুংখ্রে।

মহাকা ফিয়ুগগিদা পাঙথোক্কদবা জি-সভেন ফোরেন মিনিস্তরশিংগী মীফমদা শরুক য়াগনি। মীফম অসিদা ভারতপু গেষ্ট কন্ত্রি ওইনা বার্ত্তন তৌরকপনি। খোঙচৎ অসিদা ডা: জয়শঙ্করনা ইতালি য়াওনা মীফম অসিদা শরুক য়াগদবা লৈবাকশিংগী মপান থৌরম মন্ত্রিশিংগা উন্নদুনা ভারত অমসুং লৈবাকশিং অদুগা লৈনবা মরী হেন্না ফগৎহন্নবা ৱাফম কয়া খন্নরক্কনি। রোমদা পাঙথোক্কদবা এম.টি.দি. মেদিটরিনিয়ম দাইলোগকী ১০ শুবা এদিসনদসু ডা: জয়শঙ্কর শরুক য়াগনি। রোমদা লৈবা ইন্দিয়ান এম্বেসিগী নৌনা শেমগৎপা কমপ্লেক্সসু ডা: জয়শঙ্করনা শঙ্গাগনি।

**গুরু** ঃ শিখশিংগী ৯ শুবা গুরু টেগ বহাদুর সাহিদ ওইখিবা নুমিৎকী পালন

থৌরম ঙসি পাঙথোক্লি। ১৬৭৫ গী ঙসিগী নুমিৎ অসিদা ধর্ম্ম, মীওইবগী মীনুংশি, ৱাখল্লোন্নচিংবা ঙাকবগীদমক গুরু টেগ বহাদুরনা মহাক্কী পুন্সি কৎথোক্কুনা সাহিদ ওইখি। মহাকা লৈখিদবা নুমিৎ অসিবু চহি খুদিংগী সাহিদি দিবস হায়না পালন তৌরি।

## --হৌজিক শান্নবগী পাউ, ক্ষেত্রিময়ুম বিরোজতগী--

**ফুটবোলঃ** মথং থাগী ১০ দগী ছাতিসগরগী নরায়নপুরদা চংখগদবা রাজমাতা জিজাভাই ট্রোফি-২০২৪-২৫ দা শরুক য়ানবা মনিপুরগী নুপী ফুটবোল শান্নরোইশিংগী মিং লাউথোক্লে।

অমরোমদা, তেলঙ্গানাগী হায়দ্রবাদতা মথং থাগী ১৪ দগী পাঙথোক্কদবা সন্তোস ট্রোফি ফাইনেল রাউন্দ-২০২৪-২৫ দা শরুক য়ানবা ট্রাইয়েল কম সেলেক্সন পাঙথোকবা শান্নরোইশিংগী মিং লাউথোক্লে। চেম্পিয়নসিপশিং অসিগী শরুক য়ানবা খনগৎলবা শান্নরোইশিংনা হয়েং লমলোং থোংখোংদা লৈবা আর্টিফিসিএল তর্ব গ্রাউন্দদা অয়ুক পুং ৮ তাবা মতমদা রিপোর্ট তৌরনবা অস্ফাগী জেনরেল সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা খঙহল্লি।

**বেদমিন্টনঃ** উত্তর প্রদেসকী লক্ষনৌদা লাক্লিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতগী হৌগদৌরিবা সয়েদ মোদি ইন্দিয়া ইন্টরনেসনেল বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী দ্রো ঙসি পাঙথোকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিদা মনিপুরগী কোন্থৌজম দিংকু সিংহনা নুপাগী দবলসকী ক্বালিফয়ারদা, প্রিয়া কোঞ্জেংবমনা নুপীগী দবলসতা অমসুং মৈস্নাম মৈরা লুৱাংনা মেন্স সিঙ্গলসতা শান্নরগনি। টুর্নামেন্ট অসিদা ভারতকী মমিং লৈরবা পি.ভি. শিন্ধু, লক্সসেন, সদৱিক অমদি চিরাখকী জৱা য়াওনা মালেমগী বেদমিন্টন শান্নরোইশিংসু শরুক য়াগনি।

**ক্রিকেটঃ** ভারত অমসুং ওষ্ট্রেলিয়া অনিগী মরক্তা হৌজিক চত্থরিবা বোডর গভাস্কর ট্রোফিগী পার্থতা চত্থরিবা অহানবা টেষ্ট মেটচতা ভারতনা ওষ্ট্রেলিয়াবু থোইননবগী রন টর্গেট-৫২২ থমখ্রে।

ঙসি অহুমনি চনবা নুমিৎতা ভারতকী য়েসসভি জেসৱালনা রন-১৬১ অমদি বিরহাট কোহলিনা মহাক্কী ৩০ শুবা টেষ্ট মেটচকী সেনচুরি য়ৈখি। পাউখুম ওইনা, ওষ্ট্রেলিয়াগী অনিশুবা ইনিংসতা হৌজিক ফাওবা ৱিকেট অহুম তুরগা রন-১২ খক লৌবা ঙমদুনা টেষ্ট মেটচ অসি ভারতনা কাবা য়াবগী ফিভমদা লৈরি।

**আইপিএল ঃ** রিসপ পন্থনা আই.পি.এলগী খ্বাইদগী মমল য়াম্বা শান্নরোই ওইরে। ঙসি সাউদি অরাবিয়াগী জেদাদা পাঙথোকখিবা আই.পি.এল. ওক্সনদা লক্ষনৌ সুপর জাইন্সনা রিসপ পন্থপু লুপা কোতি ২৭ গী বেদিং তৌদুনা মখোয়গী টিমদা হাপ্লগনি।

শ্রেয়াজ আইয়রনা পঞ্জাব কিংসতা লুপা কোতি ২৬ লাখ ৭৫ দা লৈখ্রে।